**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.45 PM**
**(Date: 16-05-2025)**

**খুৎলায় (এল)ঃ** ভারত-ম্যান্মার ঙমখৈগী চান্দেল জিলাগী ন্যু সোমতালদা নোংমৈ কাপবগী থৌদোক্তা শিখিবা মিলিটেন তরা অদু ঙমখৈ লান্না খুৎলায় পায়দুনা লৈবাক্কী মায়োক্তা লাল হৌবগী থবকশিংদা চেন্নবশিংনি, মখোয়গী মশক মমিং হৌজিক ফাওবা খঙবা ঙমদ্রি।

অসাম রাইফলসকী পি.আর.ওনা থোকপা চেরোল অমদা হায়-হৌখিবা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা অসাম রাইফলসকী কাংবু অমনা ঙমখৈ পরিং অসিদা পেট্রোল্লিং চৎলিঙৈদা হায়রিবা মিলিটেন্টশিং অসিনা নোংমৈ কাপশিল্লকখিবনি। মদুদা অসাম রাইফলসনা হন্দুনা নোংমৈ কাপ্পদা মিলিটেন্ট ১০ অদু শিখিবনি। মখোয়দগী-এ.কে. ফোরটি সভেন রাইফল তরেৎ, আর.পি.জি. লোঞ্চর অমা, এম. ফোর রাইফল অমা, সিঙ্গল বেরেল ব্রিদস লোদিং রাইফল মরি, নোংমৈ মরু অমদি অতৈ পোৎলম কয়া ফংখি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়-হৌজিক ঙমখৈ পরিং অসিদা চেকশিন থৌরাং হেন্না কনখৎলে। মফম অসিদা তংদু লৈতাবা অমদি শান্তি পুরকবা সিভিল এদমিনিস্ট্রেসন অমদি ইন্টিলিজেন্স এজেন্সিশিংগা নীংথিনা পাউ ফাওনদুনা থবক লৌখৎলি।

**লম্বী (এল)ঃ** নোর্থ ইষ্ট কাউন্সিল (এন.ই.সি) না নোর্থ ইষ্ট স্পিসিএল ইনফ্রাষ্টকচর দিবলপমেন্ট স্কিম (নেসিদস) কী মখাদা সেনাপতি জিলাগী তাদুবীদগী চোৱাইনামৈ অমসুং মাওকুংদুং ফাওনবা লম্বী অমদি বিষ্ণুপুর জিলাগী মোইরাং সেন্দ্র রোড শেমগৎ শাগৎনবা হৌজিক ফাওবদা লুপা কোতি ১০ লাখ ৫৭ হেনবগী শেনফম থাদখ্রে হায়রি।

দি.আই.পি.আরনা থোকপা চেরোল অমনা হায়-এ.দি.সি. সেনাপতি দিষ্ট্রিক্তা হৌজিক পায়খৎলিবা স্কিল কম রুরেল ওন্টরপ্রেন্যুয়রসিপ দিবলপমেন্ট সেন্টর প্রোজেক্টকীদমক লুপা লাখ ৬৯ হেনবগী শেনফমসু থাদখ্রে।

চেরোল অদুনা মখা তানা হায়-এন.ই.সিগী মখাদা লুপা কোতি তরেৎলোম হেনবগী শেনফমদা শেমগৎখিবা য়াইরিপোক বজারদগী চরাংপাৎ ফাওবগী লন্বী শেন্বগী থবকসু চহিসিগী এপ্রিল থাদা মায় পাকা লোয়শিনখ্রে।

অমরোমদা, ইন্দিয়ান টেল্লি কম্ম্যুনিকেসন সার্ভিসকী সেনিয়ার ওফিসার ওইরিবা-ছাতিনদর কুমার ভাল্লানা এন.ই.সিগী অনৌবা সেক্রেটরি ওইরে হায়রি।

**কম্মিসন(এল)ঃ** ৱিমেন সেক্সচুয়েল রি-প্রদক্তিব হেলথ এন্দ রাইটস হায়বসিগী মতাংদা নোংমগী ওইবা মীয়াম পুন্না খঙমীন্নবগী থৌরম অমা ঙসি চুরাচান্দপুর জিলাগী জৈকু লুৱাং কম্ম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংলদুনা মনিপুর ষ্টেট কম্মিসন ফোর ৱিমেনগী চেয়ারপার্সন-থুমলিপ তিনিংফম মোনশাংনা হায়-নুপীশিংদা সংবিধাননা পীরিবা মখোয়গী হকশিং অদু নীংথিনা খঙবগী তঙাইফদবা লৈ। সরকারনা নুপীশিংগী য়াইফনবা থৌরাং কয়া পায়খৎলি। নুপীশিংনা মখোয়গী ফংফম থোকপা হকশিং ফংনবা হোৎনবদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োকরকপা মতমদা মনিপুর ষ্টেট কম্মিসন ফোর ৱিমেন হেল্প লাইন, ৱান স্তোপ সেন্টর অমসুং শক্তি সাদেননচিংবশিংগী মতেং লৌবা য়াই। মহাকা হায়-নুপীশিংনা মখোয়গী হকশেল অসি নীংথিনা থমবা হোৎনবগী তঙাইফদবসু লৈ।

থৌরম অদু মনিপুর ষ্টেট কম্মিসন ফোর ৱিমেন অমসুং রোংমৈ নাগা লুফাম-মনিপুর অনিনা পুন্না শিন্দুনা পাঙথোকপনি।

**রিমস (এল)ঃ** রিমসকী দাইরেক্তর প্রোফেসার-জি. সুনিকুমার শর্ম্মনা অৱাং

নোংপোক লমদমগী অহানবা ওইনা রিমস দেন্টেল কলেজতা কোন বিম কম্প্যুটেদ তোমোগ্রাফি (সি.বি.সি.টি) য়ুনিট অমা ঙসি হাংদোকখ্রে।

অনৌবা সি.বি.সি.টি. য়ুনিট অসিনা য়াগা মরী লৈনবা লায়নাশিং খঙদোকপা অমদি লায়েংবগী মতাংদা চাউনা মতেং ওইরগনি হায়রি।

**ককচিং (এল)ঃ** ককচিং ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী মনুংদা য়ুমথোং খুদিংদা চৎতুনা অমোৎ অকায়শিং খোমগৎপদা শিজিন্নগদবা কে.এম.সি.দি.টু.দি. ৱেষ্ট কল্লেক্সন কৌবা মোবাইল এপ অমা ঙসি কাউন্সিল অসিগী কনফরেন্স হোলদা হৌদোকখে।

থৌরম অদুদা কাউন্সিল অসিগী কেয়ার তেক্কর চেয়ারপার্সন-নাওরেম সঞ্জিব কুমার, সেনিয়ার চীফ ইগজকিটিব ওফিসার-এল. রোমেশ অমদি ইগজকিটিব ইঞ্জিনিয়ার-নাওরেম রামচন্দ্রনচিংবা মীওই কয়া শরুক য়াখি।

**থৌবাল (এল)ঃ** 'মাই ৱেস্টস, মাই রেস্পোন্সিবিলিতি' হায়বা হারমদা নোংমগী ওইবা মীয়াম পুন্না খঙমীন্নবগী থৌরম অমা ঙসি ৱাইখোম মণি গালর্স কলেজ-থৌবালদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদু রাজ্য সরকারগী মহুদ বিভাগ অমসুং ৱাইখোম মণি গালর্স কলেজ অনিনা পুন্না শিনবনি। থৌরম অদুদা মহুদ বিভাগকী দাইরেক্তর-ঙাঙোম উতম সিংহনা অথোইবা মীথুংলেন ওইখি।

**দ্রিল (এল)ঃ** সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসননা শিনদুনা ওপরেসন অভিয়াসগী মখাদা সিভিল দিফেন্স মোগ দ্রিল অমা ঙসি সেনাপতি জিলাগী ন্যু সেক্রেটরিয়েট কমপ্লেক্সতা পাঙথোকখ্রে। মদুদা, জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-মামোনি দোলি, এস.পি. ধমেন্দ্র কুমারনচিংবা য়াওনা ওফিসিএল কয়া শরুক য়াখি।

মোগ দ্রিল অদুদা জিলা অসিদা লৈবা সি.আর.পি.এফ, অসাম রাইফলস,

মেদিকেল দিপার্টমেন্ট, এম.এস.পি.দি.সি.এল, এস.দি.ওগী ষ্টাফশিং, ইন্দিয়ান রেড ক্রোস সোসাইতি অমদি তোঙান তোঙানবা স্কুল অমদি কলেজশিংগী মহৈরোই য়াওনা মীওই ৫০০ রোমনা শরুক য়াখি।

কামজোং দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনননা শিনদুনা সিভিল দিফেন্স মোগ দ্রিল অমা ঙসি কামজোং হয়ার সেকেন্দরি স্কুলদা পাঙথোকখ্রে। মদুদা দিপুতি কম্মিস্নার-রংনামৈ রং পিটর, এস.পি. নিংশেম ভাশুম, ৮ শুবা অসাম রাইফলসকী সি.ও. সুমিত অচ্যারিয়ানচিংবা মরুওইবা ওফিসিএল কয়া শরুক য়াখি।

দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন শিনদুনা সিভিল দিফেন্স মোগ দ্রিল ঙসি জিরিবাম হয়ার সেকেন্দরি স্কুল গ্রাউন্দদা পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা জিলা অসিগা দিপ্যুতি কম্মিস্নার-কৃষ্ণকুমার, এস.পি. সৈখ মোহোমদ জাইব জকিরনচিংবা ওফিসিএল কয়া শরুক য়াখি।

দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন ককচিংনা শিনদুনা থা অসিগী ১৯ দা পাঙথোক্কদবা সিভিল দিফেন্স মোগ দ্রিলগা মরী লৈননা জিলা থাক্কী ওইবা কো-ওর্দিনেসন মিতিং অমা ঙসি জিলা অদুগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-রোহিত অনন্দনা সভাপতি ওইদুনা পাঙথোকখ্রে।

দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন থৌবালনা শিনদুনা ওপরেসন অভিয়াসকী মখাদা সিভিল দিফেন্স মোগ দ্রিল অমা হয়েং থৌবালদা লৈবা চাউয়াইমা হয়ার সেকেন্দরি গ্রাউন্দদা পাঙথোক্কনি হায়না দিপ্যুতি কম্মিস্নার-হনা কামৈনা থোরকপা চেরোল অমদা হায়রি।

কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনননা শিনদুনা মোগ দ্রিল অমা হয়েং জিলা অসিদা পাঙথোক্কনি।

**আরপিআই (এল)ঃ** রিপাব্লিকান পার্টি ওফ ইন্দিয়া (আর.পি.আই-অথাৱালে) মনিপুর ষ্টেট য়ুনিটকী কাংবু অমনা ঙসি মনিপুরগী রাজ্যপাল-জয় কুমার ভাল্লাগা

উন্নদুনা মীতৈ-মৈতৈবু সেদ্যুল ত্রাইব লিষ্টতা চলহন্নবা তকশিনখ্রে।

ইম্ফালগী রাজ ভবনদা রাজ্যপাল উন্নরুরবা মতুংদা পাউমীশিংদা ৱা ঙাংবদা আর.পি.আই-অথাৱালেগী নেসনেল সেক্রেটরি-মহেশ্বর থৌনাওজমনা হায়- বৃটিশনা পাল্লিঙৈ মতমদা মীতৈ ফুরুপ অসি হিল ত্রাইব ওইনা শকখঙলম্মী। মনিপুরনা ভারত্তা তিল্লবা মতুংদা ইং ১৯৫১ দা মীতৈশিং অসি সেদ্যুল ত্রাইব লিষ্টতগী লৌথোকখি। মতম অদুদগী হৌরগা হায়রিবা ফুরুপ অসি ফংফম থোকপা হক কয়া ফংদনা লাক্লি।

**সিপিআই(এল)ঃ** সি.পি.আই. মনিপুর ষ্টেট কাউন্সিলগী নুমিৎ হুমনি চথগদবা ২৪ শুবা সি.পি.আই. ষ্টেট কনফরেন্স ঙসিদগী ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী চালৌদা লৈবা মোইরাংথেম ইবোহল অমসুং অথোকপম লালা মশাইকোল ইরাবত মেমোরিএল হোলদা হৌখ্রে।

হৌদোকপগী থৌরম অদুদা সি.পি.আইগী সেন্ট্রেল কমিতি-মনিপুর ইন-চার্জ ওইরিবা-পলাপ সেনগুপ্তা, ষ্টেট কন্ট্রোল কম্মিসনগী চেয়ারমেন-লাঙ্গোল ইবোয়াইমা, সি.পি.আই. ষ্টেট কন্ট্রোল মেম্বর-ডা: এম. নরানচিংবা দল অসিগী লুচিংবা কয়া শরুক য়াখি।

**দেঙ্গি (এল)ঃ** দিষ্ট্রিক্ট মেলারিয়া ওফিসার ইম্ফাল ৱেষ্ট, দিষ্ট্রিক্ট হেলথ মীসন সোসাইতি ইম্ফাল ৱেষ্ট অমসুং কম্ম্যুনিতি হেলথ সেন্টর খুমবোংনা শিনদুনা নেসনেল দেঙ্গি ডে-২০২৫ গী থৌরম ঙসি ইম্ফাল ৱেষ্টকী ময়াই কোইবী নিংথৌজম লৈকাই কম্ম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুগী হীরমনা 'চেক ক্লিন কোভর: ষ্টেপস টু দিফিট দেঙ্গি' হায়বসিনি।

থৌরম অদুদা নোংজ্ থাগী মতমদা লেপ্পা লৈতনা হেনগৎলক্লিবা দেঙ্গি লায়নাগী মতাংদা মীয়ামবু ভাব তাহন্নবা মরুওইবা ৱাফম কয়া অখণ্ড অহৈশিংনা ফোংদোকখি।

**সেনাপতি (এল)ঃ** নুমিৎ হুমনি চুপা চথরকপা পাউমাই নাগা ফুরুপকী নাৎকী ওইবা টুরিজম ফেষ্টিবেল ঙসি সেনাপতি জিলাগী পুরুল ভিলেজতা লোয়শিনখ্রে।

থৌরম অদুদা কেনিনি য়ুনিয়ন দিমাপুরগী এদভাইজর-দেখো সায়ি নেখারনা অথোইবা মীথুংলেন ওইখি। থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা পুরুল য়ুথ এন্দ ষ্টুদেন্টস ওর্গনাইজেসনগী প্রসিদেন্ট-নাদা ফ্লাইনা হায়-ফেষ্টিবেল অসি পাউমাই নাগা ফুরুপকী ইনাক খুল্লবা কালা সংস্কৃত্তি অমদি লৌউ শিংউগা মরী লৈনবা থবকশিং হেন্না উৎথোকবা পান্দমদা পাঙথোকপনি। ফেষ্টিবেল লোয়শিনবগী থৌরমদা তোঙান তোঙানবা নাৎকী ওইবা থৌরমশিং পাঙথোকখি।

**উ (এল)ঃ** নেসনেল ইন দেঞ্জরদ স্পেসিস ডে অমসুং এদভান্স ৱার্ল্ড ইনভাইরোনমেন্ট ডে ২০২৫ গা মরী লৈননা ঙসি চান্দেলদা লৈবা বটালিয়ন হেদক্বাটরসতা লমদম অসিদগী মাঙখ্রগদবা অতাংবা মখলগী উ চারা ৩৫০ রোম থাখ্রে।

উ চারা থাবগী থৌরম অসি নেসনেল দিভিজন ফোরেষ্ট ওফিসার চান্দেল অমদি ২১ শুবা অসাম রাইফলসনা পুন্না শিনবনি।

**রাজনাথঃ** ঙাকশেল মন্ত্রি-রাজনাথ সিংহনা হায়রি-ইন্টরনেসনেল মোনিটরি ফন্দ (আই.এম.এফ) না পাকিস্তানদা শেল থাদবদা মুন্না ৱাখল খন্থবীনবা ভারতনা ফোংদোক্লি।

গুজরাটকী ভুজতা লৈবা ইয়ার ফোর্স ষ্টেসনদা ইয়ার ৱারিয়ারশিংদা ৱা ঙাংবদা ঙাকশেল মন্ত্রি-রাজনাথ সিংহনা হায়-আই.এম.এফনা পাকিস্তানদা থাদরিবা শেনফম অয়াম্বা পাকিস্তান মনুংদা লৈরিবা টেরোরিষ্টশিংগী থবক থৌরমশিংদা শিজিন্নে। পাকিস্তানদা শেল থাদবা হায়বসি টেরোরিষ্টশিং শৌগৎপগা চপ মান্নে। হন্দক্কী ওপরেসন সিন্ধুরদা ইয়ার ফোর্সনা লৌখিবা

থৌদাংবু থাগৎলদুনা শ্রী রাজনাথনা হায়- মসিনা ভারত মচাশিংদা চাউথোকচবা ফাওহল্লে।

পাকিস্তানদা লৈরিবা টেরোরিষ্টশিংগী কেম্পশিং ইন্দিয়ান ইয়ার ফোর্সনা থুগায়বদা মিনিট ২৩ খক্তমক চংখি। ভারতনা চথখিবা ওপরেসন অদুনা টেরোরিজমগী মায়োক্তা অকনবা পাউজেল অমা পীবগা লোয়ননা লৈবাক অসিগী মিলিটরিগী শক্তি মালেমদা উৎথোকপা ঙমলে।

**সিন্ধুরঃ** পাকিস্তাননা শোগৎতুনা চথরিবা টেরোরিজমগী থবকশিং মালেমগী মীয়ামদা খঙহন্নবা তোঙান তোঙানবা রাজনিতি দলশিংগী এম.পিশিং অমদি দলশিংগী লুচিংবশিং য়াওবা মীহুৎ কাংবু অমা মালেমগী তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংদা চৎকদৌরি।

মীহুৎ কাংবু অসিদা বিরোধি, সরকার পায়রিবা দলশিংগী এম.পি. অমসুং লুচিংবা কয়া য়াওগনি। কংগ্রেসকী মকোক থোংবা লুচিংবা জয়রাম রামেশনা ন্যু দিল্লিদা পাউমীশিংদা হায়-মপান লৈবাক্তা চৎকদৌরিবা মীহুৎ কাংবু অসিদা শরুক য়াবীনবা কেন্দ্রগী পার্লিয়ামেন্টরি এফিয়ার্স মন্ত্রি-কিরেন রিজিজনা দল অসিগী প্রসিদেন্ট, মালিক অরজন খর্গেদা হায়জরক্লে। খোঙথাং অসি পাকিস্তানদগী হৌরক্লিবা টেরোরিজমগী থবকশিং অসি মালেমগী লৈবাকশিংদা হেন্না খঙহন্ননবা অমদি ভারতনা টেরোরিজমগী মায়োক্তা মতম চুপ্পদা লেপলি হায়বদু খঙহন্ননবনি। খোঙচৎ অসি মথং চয়োলদগী হৌগনি হায়রি।

**মুরমুঃ** রাস্ত্রপতি-দ্রৌপদি মুরমুনা ন্যু দিল্লিদা ঙসি ৫৮ শুবা গ্যানপিথ এৱার্ড সংস্কৃট স্কোলার জগৎ গুরু-রম্ভদ্র চারয়া অমসুং শকাইরবা উর্দু কবি অমসুং ঈশৈ ময়েক ইবা গুলজারদা খুৎশিন্নখ্রে। এৱার্ড অসি শকাইরবা মীওইশিং অসিনা সাহিত্যগী লমদা থোইদোক হেন্দোকপা থবক তৌবগীদমক ইকায় খুমবা উৎতুনা পীবনি। রাস্ত্রপতি-দ্রৌপদি মুরমুনা সাহিত্যকার অনি অদুদা নুংঙাইবা

ফোংদোকখি।

**কাং(এল)ঃ** ওইনাম কেন্দ্র কাংখুৎ অহানবা লাইনিংথৌ সনামহি প্লেয়ারস মেমোরিএল কেন্দ্রৱাইজ লিগ কম নোকআউট ওপন কাং টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা সেমি ফাইনেলদা ৱাঙ্গৌই কেন্দ্র কাংখুৎনা হিয়াংলম কেন্দ্র কাংখুৎপু পাঞ্জল ২৩-১১ দা থোহখ্রে। ফাইনেল মেটচতা ৱাঙ্গৌই কেন্দ্র কাংখুৎ অমসুং ওইনাম কেন্দ্র কাংখুৎ থেংনরগনি।

**ফুটবোল (এল)ঃ** খোঙজোম সার্কল ভেটরান স্পোর্টস ওর্গনাইজেসননা শিনদুনা পাঙথোকখিবা বি.এস.ও. ট্রোফি, লৈবাক্কী ইরাংনা মরম ওইদুনা মতম শাংনা লেপ্তুনা লাকখিবা অদু থা অসিগী ২৯ দগী তেকচম হায়স্কুল গ্রাউন্দ হৌরগনি। শরুক য়াখিবা টিমশিংনা অকুপ্পা মরোল ওর্গনাইজেসন অসিদগী খঙলবা য়াগনি হায়রি।

**ফুটবোল (এল)ঃ** লমলোং থোঙখোং আর্টিফিসিএল তব গ্রাউন্দদা চথরিবা অনিশুবা পেমিয়ার লিগ ২০২৫-২৬ কী ঙসি শান্নখিবা লিগ মেটচ অমদা- আসুফি এফ.এনা য়ুনাইটেদ চান্দেল এফ.সিবু পাঞ্জল ২-০ দা থোইখ্রে।

**ফুটবোল (এল)ঃ** ১৫ শুবা অম্ফা সেনিয়র ৱিমেন ফুটবোল লিগকী ঙসি সাই গ্রাউন্দ তাকয়েলদা শান্নখিবা মেটচতা-এফ.সি. ইম্ফালনা মনিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লবপু পাঞ্জল ২-১ দা থোইখ্রে।

**ফুটবোল (এল)ঃ** তরুকশুবা কাইয়ো ট্রোফিকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা- ইমোইনু এফ.সি. কুম্বীনা য়াদা-কাংশোইবী মপালবু পাঞ্জল ৭-৪ দা থোইখ্রে।

অতোপ্পা মেটচশিংদা-এল.ৱাই.এ.এফ.সি. ৱাংঙুনা কাইয়ো এফ.সি.

কুম্বীবু পাঞ্জল ৭-২ দা, সাম কুম্বীনা সুরজিৎ এফ.সিবু পাঞ্জল ৭-২ দা থোইখি।

**ক্রিকেট (এল)ঃ** থার্দ এম.এন.সি.এ. মেন্স অন্দর নাইন্তিন, ৱান ডে ত্রোফিগী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা আর.সি.এ. লিলোংনা পি.টি.আর.সি. পাৎশোই পার্ট ফোরবু রন-৭৭ তা থোইখ্রে।

**ফুটবোল (এল)ঃ** ওল মনিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসননা শিনদুনা পাঙথোক্কদবা ১৫ শুবা সেনিয়ার ৱিমেন্স ফুটবোল লিগ ২০২৪-২৫, থা অসিগী ১৯ দগী সাই গ্রাউন্দ তাকয়েলদা হৌরগনি।